# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses



ৱাংজিং তেন্থা এ সীদা ঙরাং নুমিদাং শকখঙদবশিংনা বি জে পি অমসুং কোংগ্রেসকী ৱার্করশিং থাঙনা য়াল্লম্বগী থৌদোকপু কোংগ্রেসকী ৱার্করশিংনা তৌরম্বনি হায়দুনা মরাল শীরকপগী মায়োক্তা তেন্থা মথক লৈকায় ৱেটিং সেদতা খোঙজং চঙশিনখ্রে


ভোট থাদবা য়ারবশিংনা অকি অখং য়াওদনা ভোট থাদগদবনি : গভর্ণর
☛ লামায় ২

কোভিদ-১৯ পোজিটিভ মশীং হন্থরক্লবসু শিবদি লেপত্রি
☛ লামায় ৩

কোংগ্রেস মীরেপকী মীওইশিংদা অথিংবা পীরবসু...
☛ লামায় ৫

সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী নুপা প্রিসাইদিং ওফিসরশিংগী ট্রেনিং তৌগদৌরি
☛ লামায় ৬


চুড়াচান্দপুর অমসুং ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টকী অপূনবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি তরুক্কী মনুংদা পোল্লিং ষ্টেসন অমদা ভোটরশিংনা অকি অখং য়াওদনা ভোট থাদনরুরগা থোক্লরকখিবা





Vol. 45, Issue No. 333 | লৈবাকপোকপা, ফাইরেনগী ২৯নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, March 01, 2022, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00


# অহানবা তাঙ্কক্কী এ সী ৩৮গী মীখল পাঙথোকখ্রে

## অপূনবা পোল্লিং ষ্টেসন ১৭২১গী মনুংদা ৭কী ঈ ভি এমশিং থুগাইখ্রে

### চাদা ৭৮.৩ য়ৌনা ভোট থাদনখ্রে, রি-পোল তৌবা তৌদবগী ৱাফম ঙসি খঙলগনি



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৮ (ঐচ এন এস) : তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোক্কদবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সন, ২০২২গী অহানবা ফেজগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৩৮গী অপূনবা পোল্লিং ষ্টেসন ১৭২১দা অয়েৎ অপন য়াওদনা অমসুং ফ্রী এন্দ ফ্যের ইলেক্সন ওইহন্দুনা পাঙথোক্কনি হায়না থৌরাং তৌরকপগী মতুংইন্না ঙসি অয়ূক পুং ৭তগী হৌরদুনা অহানবা তাঙ্কক্কী মীখল পাঙথোকখিবদা অপূনবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং অসিগী মনুংদগী ৭তা শীজিন্নবা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিনশিং থুগাইদুনা অমাঙ অতা থোকহনখ্রে। অদুম ওইনমক হায়রিবা থৌদোক অসি থোকখ্রিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং অদুগী রি-পোল তৌবা তৌদবগী ৱাফমদি হয়েং লৈখায় তাগদৌরি।

ঙসি পাঙথোকখিবা অহানবা তাঙ্কক্কী মণিপুরগী মীখলগী মতাংদা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর, মণিপুর রাজেস অগ্রৱালনা থোরকপা চেরোলগী মতুংইন্না ঈ ভি এমশিং থুগাইদুনা অমাঙ অতা থোকহনখিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদি ৪৬ - সাইকুল (এস টি) এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী ৪৬/৫৪ লেপলেন, ৫১ - সাইতু (এস টি) গী ৫১/৪৬ ন্যু কৈথেলমানবী, ৫৬ - থানলোন এ সীগী ৫৬/১০ - মাইতে অমসুং ৫৬/১৯ তিনসোং, ৫৭ - হেংলেপ (এস টি) গী ৫৭/৪৯ লৈনোম, ৬০ - সিংহাট (এস টি) গী ৬০/১০-এম টি গেলতম অমসুং ৬০/৪৩ মাওকোট পোল্লিং ষ্টেসনশিংনি হায়রি।

তোঙান তোঙানবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং অসিদা ভোটরশিংনা ভোট থাদবদা শীজিন্নগদৌরিবা ঈ ভি এমশিং থুগাইদুনা অমাঙ অতা থোকহনখিবগী মতাংদা কেসশিং রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলে হায়রি।

থুগাইদুনা অকায় অতোয় থোকহনখ্রবা পোল্লিং ষ্টেসন ৭ অসিগী ঈ ভি এমশিং অদুগী মনুংদা সিংহাট এ সীগী ৬০/১০ - এম টি গেলতম অমসুং ৪৬ - সাইকুল এ সীগী ৪৬/৫৪ - লেপলেনগীদি ঈ ভি এমশিং থুগাইখ্রবা মতুংদা অনৌবা মেছিনশিংনা মহুৎ শিনজিন্দুনা ভোটরশিংবু ভোট থাদনহনখি হায়রি।

৫৫ - টিপাইমুখ (এস টি) এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী পোল্লিং ষ্টেসন ৫৫/১ - চিংমুনদা মথৌ পাঙথোক্কদবা পোল্লিং পর্সনেল অমসু বি পি ষ্ট্রোক তৌদুনা লৈখিদ্রে হায়বগা লোয়ননা থৌদোক অসি লাইবক থীবা থৌদোক অমনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা সী ঈ ও, মণিপুরগী মায়কৈদগী নুংঙাইতবসু ফোঙদোরক্লি।

লোয়ননা ঙসি পাঙথোকখিবা অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিং অমসুং কেন্দিদেটশিংগী মায়কৈদগী ভোট থাদনরিঙৈগী মনুংদা কমপ্লেন্ট কয়া ফাইল তৌনরকখি। অদুবু কমপ্লেন্টশিং অদুগী মনুংদগী অয়াম্বা শরুক্তি ৱারোইশিন পুরকখিবগা লোয়ননা কমপ্লেন্টশিং অদুগী মতুংইন্না লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎখ্রে হায়রি।

অদুম ওইনমক ফোর্ম ১৭ এগী স্ক্রুটিনিগী থবক অমসুং অতোপ্পা দোক্যুমেন্টশিংগী স্ক্রুটিনিনা রিটর্নিং ওফিসরশিংনা জেনরেল ওবজার্ভরশিংগী মমাঙদা হয়েং পাঙথোল্লগনি। অদুগা ঙসি অকায় অতোয় থোকহনখ্রিবা পোল্লিং ষ্টেসন তরেৎ অসিগী রি-পোল তৌগদ্রা নৎত্রগা তৌরোইদ্রা হায়বদু লৈখায় তারগনি হায়খি।

অমরোমদা, ঙসি অয়ূক পুং ৭তগী হৌরদুনা ভোট থাদনখিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী মনুংদা পোল্লিং এরিয়াদা ক্যুদা লৈহৌবা ভোটরশিং খরগীদি নুংথিল পুং ৫.৩০ ফাওবদা ভোট থাদবদা অয়াবা পীখি হায়রি। অদুগা ঙসি ভোট থাদনখিবগী চাংনা দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ইম্ফাল ইষ্ট - ৭৬.৬৪%, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৮২.১৯%, বিষ্ণুপুর - ৭৩.৪৪%, চুড়াচান্দপুর - ৭৪.৪৫% অমসুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকীনা ৮২.১৯%নি হায়রি। অদুম ওইনমক কন্সটিট্যুএন্সি ৩৮মক্কী ওইনা চাংচৎতা ভোট থাদনখিবগী চাং চাদা ৭৮.০৩% য়ৌখি হায়রি।

অমরোমদা, পাউচে অসিনা খোমজিনবা রিপোর্টকী মতুংইন্না ঙসি মীখল পাঙথোকখিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৩৮গী মনুংদা খ্বাইদগী নেম্না ভোট থাদনখিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ১০-উরিপোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিনি। সেগমেন্ট অসিগী ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৫.৩০ ফাওবা ভোট থাদনখিবদা শুপ্নতগী চাদা ৬০ খক্তমক ভোট থাদনখি। অদুগা খ্বাইদগী য়াম্বা চাংদা ভোট থাদনখিবা এসেমব্লি সেগমেন্টনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী ৪৬- সাইকুল (এস টি) এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিনি। সেগমেন্ট অসিদনা নুংথিলগী পুং ৪ ফাওবদা চাদা ৯১.২ য়ৌনা ভোট থাদনখি হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি পাঙথোকখিবা অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলগা মরী লৈননা থোকখিবনি হায়রিবা তোঙান তোঙানবা থৌদোকশিংদি :-

### ৱাংখৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা প্রোক্সি তৌবগী ঈরাং থোক্লুরে

ঙসি অয়ূক পুং ৭তগী হৌরদুনা ভোট থাদনখিবা মণিপুরগী অহানবা ফেজগী মীখলদা য়াওরিবা ৱাংখৈ এ সীগী পোল্লিং ষ্টেসন ১৫/১৩গী নোর্থ এ ও সীদা লৈবা আর কে সনাতোম্বী দেবী বিদ্যালয়া অমসুং আর কে সনাতোম্বী দেবী কোলেজ ওফ এদ্যুকেসনগী পোল্লিং ষ্টেসনদা নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তারকপা অদুৱাইদা প্রোক্সি তৌরে হায়রকপদগী ঈরাং থোক্লুরে। অদুম ওইনমক কায়নথংদা য়ানবা পুরকপদগী মখা তানা ভোট থাদনখ্রে হায়রি।

থৌদোক অদু কেন্দিদেট অমগী ৱার্কর অমনা মশাগী ভোট থাদরবা মতুংদা হঞ্জিন হঞ্জিন তরুক্লক নম্লম্বা থেংনরকপদগী থোরকখিবনি। মসিনা মরম ওইরগা চরাংনবা থোরকপদগী ঙাইহাক ভোট থাদবা লেপখি। থৌদোক অদুগী মতাংদা জে দি - য়ুগী মীরেপ থাংজম অরুনকুমারনা থৌওং অদু য়ানীংদবদগী অমুক হন্না রিপোল তৌবীনবা ঈ সী আইদা অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে হায়রি।

### মীখলগী মথৌ পাঙথোক্কদবা এম আরগী হবিলদার ১ মথন্তা কাপশিঞ্জদুনা শিজখ্রে

ঙসি পাঙথোকখিবা ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টকী ৫৫- তিপাইমুখ (এস টি) এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী পোল্লিং ষ্টেসন ৫৫/৩৭-সেনভোন (সী) মীখলদা মথৌ পাঙথোক্কদবা ৮শুবা মণিপুর রাইফলসকী হবিলদার অমা মশাদা ইস্যু তৌবা সর্ভিস নোংমৈনা মথন্তা কাপশিঞ্জদুনা শিজখ্রে হায়রি। থৌদোক অসি ঙরাং নুমিদাং অমসুং ঙসি অয়ূক্কগী লোন্নবা নোংয়াই মতুং পুং ১২.৪০ রোম তারকপদা পোল্লিং ষ্টেসন অসিদা থোকখিবনি হায়রি। লৈখিদ্রবা পর্সনেল অদুগী মমিং নাওরেম ইবোচৌবা কৌই। ককচীং লবুঙ্গো পরেংদগীনি হায়রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা পার্বুং পুলিস ষ্টেসননা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৭৪গী মখাদা অন-নেচরেল দেথ (য়ু দি) কেস নম্বর ১ ওফ ২০২২ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখ্রে অদুগা লৈখিদ্রবগী হকচাং অদু মফম অদুদগী ইম্ফালদা হেলিকোপ্টরনা পুরক্লবা মতুং রেপিদ রেস্পোন্স টিমগী মতেংগা লোয়ননা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা জেনিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌনবগীদমক থমখ্রে।

অমরোমদা, মহাক লৈখিদবদা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর মণিপুর রাজেস অগ্রৱালনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে।

### থৌনাওজম শ্যামকুমারগী ৱার্করশিংনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা গাড়ী অমসুং য়ূম থুগাইরল্লে

অন্দ্রো এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইরিবা থৌনাওজম শ্যামকুমারগী ৱার্করশিংনা ঙরাং অহিংগী নোংয়াই মতুং পুং ১ রোম তারকপদা লাইখোং খুলদা লৈবা লাইশ্রম মোহোন মীতৈগী য়ূমদা নোংমৈ মরূ কয়ামরুম কাপশিল্লম্বদা নত্তনা গাড়ী য়াওনা মহাক্কী য়ূম অমাঙ অতা থোকহল্লল্লে। অদুম ওইনমক অশোক অপনদি য়াওহৌদ্রে হায়রি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না নোংমৈ কাপশিল্লম্বা অদুদা য়ূমগী থোঙ, থোঙনাওশিংগী মিংশেল কায়খি। য়ূমথক কূপ্পা জিঙ্ঘশিংসু শেগাইবা য়াওখি অমসুং ফক্লাংদসু অকায় অতোয় থোকখি। অদুগা থুগাইরম্বা গাড়ী অদুনা স্বিপ দিজায়র কার এম এন ০৩/এ-৩০৯১নি হায়রি।

থৌদোক অদুদা পূন্না লুপা লাখ ২০ লোমগী পোৎ চৈ অমাঙ অতা থোকখি হায়রি। থৌদোক অদু বি জে পিগী মীরেপ টি ঐচ শ্যামকুমারগী ইথম মোইরাংপুরেলদা লৈবা ৱার্করশিংনা থোকহনখিবনি হায়রদুনা অকায় অতোয় নংলিবা ইমুং অদুগী মীওইশিং হান্না মহাকপু শৌগৎপশিং ওইরম্বনি অদুবু হন্দক্কী মীখল অসিদনা অতোপ্পা মীরেপ অমদা ওইনা শৌগৎখিবনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসতা রিপোর্টতি তৌখ্রে অদুবু অইবা চেরোলনা হয়েং পীশিল্লগনি হায়রি।

### নোংমৈনা কাপ্লম্বা রোজিটকী ভোট মহাক্কী লোয়নবীনা মহুৎ শিন্দুনা থাদখ্রে

ঙসি পাঙথোকখিবা অহানবা ফেজগী মীখলদা য়াওখিবা ৪-ক্ষেত্রিগাও এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা জে দি - য়ুগী মীরেপ ওইরিবা ৱাহেংবম রোজিট এলিয়জ বুল্লেটপু শকখঙদবশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎননবা হোৎনরম্বদগী শোক্তুনা রাজ মেদিসিটিদা লায়েংলিবা মহাক মশাগী ভোট অদু মহাক্কী লোয়নবী ৱাহেংবম ওংবী অরুনানা কম্পেনিয়ন ভোট ওইনা থাদখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, মহাকপু থা অসিগী ২৬কী নুমিদাংদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎননবা হোৎনরম্বা থৌওং অদু মীনুংশি য়াওদবা লাইফ এটেম্পকী থবকনি হায়না জে দি - য়ু থৌবালগী প্রসিদেন্ট পি ঐচ মনিগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদুবু য়ানীংদবা অমসুংনুংঙাইতবা ফোঙদোকপগী মীফম অমসু প্রসিদেন্টগী য়ূমদা পাঙথোক্তুনা ৱারেপ অনী লৌখ্রে হায়রি। অহানবা ৱারেপ্তা ৱাহেংবম রোজিট এলিয়জ বুল্লেটপু নোংমৈনা কাপ্লম্বা মীওইশিং পুথোক্তুনা চপ চাবা চৈরাক ফংহনগদবনি অমসুং থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওইশিংনসু করিগীদমক মহাকপু নোংমৈনা কাপ্লল্লিবনো হায়বদু অথুবা মতমদা শেংদোরক্কদবনি হায়বসিনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা লায়কন্নরিবা রোজিটপু অথুবা মতমদা ফগৎলক্লবা থৌনিখি অমদি ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মীয়াম্না মায় পাক্লবসু থৌনিজরি হায়রি।

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

# ঈ ভি এম থুগাইরম্মী হায়বগী চার্জদা কোংগ্রেস কেন্দিদেট পুলিসনা ফাজিনখ্রে

### শৌগৎপশিংনা বন্দ চথখ্রে, খুদক্তা থাদোক্তুবদি কে এস ওনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি লাউথোকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৮ (ঐচ এন এস) : ঙসি অয়ূক পুং ৭তগী হৌরদুনা ভোট থাদনখিবা মণিপুরগী ১২শুবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনগী অহানবা ফেজগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৩৮গী মীখলদা য়াওখিবা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী ৫১- সাইতু (এস টি) এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা কোংগ্রেস মীরেপ ওইরিবা ডা. লমতিন্থাং হাওকিপপু পোল্লিং ষ্টেসন অমগী ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ঈ ভি এম) থুগাইরম্বগা লোয়ননা পোল্লিং পর্সনেলশিং কিহল্লম্বা অমসুং ফূরম্মী হায়বগী চার্জদা পুলিসনা ফাজিনখিবগী মায়োক্তা মহাক্কী সপোর্টরশিংনা খুদক্তগী বন্দ চথবা হৌখ্রে। লোয়ননা কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (হেদ ক্বার্টর) গী মায়কৈদগীসু মহাকপু খুদক্তা থাদোরক্তুবদি অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়দুনা লাউথোকখ্রে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী মায়কৈদগী ক্ষেত্রিময়ূম ভবানন্দ, এল দেবেন অমসুং তোংব্রম টেজকুমারনা সী ঈ ও, ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## ভোট থাদনখিবগী চাং

(ফেব্রুৱারী ২৮, ২০২২ গী নুংথিল পুং ৪ ফাওবগী)

| দিষ্ট্রিক্ট | এ সী | ভোট থাদনখিবা |
|---|---|---|
| ইম্ফাল ইষ্ট | ১- খুন্দ্রাকপম | ৭৪.৭৭% |
| | ২- হৈঙাং | ৯০% |
| | ৩- খুরাই | ৭৬% |
| | ৪- ক্ষেত্রিগাও | ৬৮% |
| | ৫ - থোংজু | ৮১% |
| | ৬- কৈরাও | ৮০% |
| | ৭ - অন্দ্রো | ৮৪.৮৪% |
| | ৮ - লম্লাই | ৭২.৫৫% |
| | ১৪ - য়াইস্কুল | ৭৭.৮৮% |
| | ১৫ - ৱাংখৈ | ৭০.৩% |
| ইম্ফাল ৱেষ্ট | ৯ - থাংমৈবন্দ | ৮০.১৯% |
| | ১০ -উরিপোক | ৬০% |
| | ১১ - শগোলবন্দ | ৮৪.২৮% |
| | ১২ - কৈশামথোং | ৮৪% |
| | ১৩ - শীংজমৈ | ৭৯.৪০% |
| | ১৬ - সেকমাই | ৭২.২৬% |
| | ১৭ - লমশাং | ৮০% |
| | ১৮ - কোন্থৌজম | ৮০% |
| | ১৯- পাৎশোই | ৬৭.৮৪% |
| | ২০- লংথবাল | ৭৬.৯% |
| | ২১ - নাওরিয়া পাখংলাকপা | ৭৭.১৫% |
| | ২২- ৱাঙ্গোই | ৮৮.২৮% |
| | ২৩ - ময়াংইম্ফাল | ৮০.৩৭% |
| বিষ্ণুপুর | ২৪ - নম্বোল | ৭৩% |
| | ২৫ - ওইনাম | ৭১% |
| | ২৬ - বিষ্ণুপুর | ৭৫% |
| | ২৭ - মোইরাং | ৭৩% |
| | ২৮ - থাঙ্গ | ৭৪% |
| | ২৯ - কুম্বী | ৭৪% |
| চুড়াচান্দপুর | ৫৫ - টিপাইমুখ | ৬৪% |
| | ৫৬ - থানলোন | ৬৮% |
| | ৫৭ - হেংলেপ | ৭৩% |
| | ৫৮ - চুড়াচান্দপুর | ৬৫% |
| | ৫৯ - সাইকোট | ৬৭% |
| | ৬০ - সিংহাট | ৮১% |
| কাংপোকপী | ৪৬- সাইকুল | ৯১.২% |
| | ৫০ - কাংপোকপী | ৯৩% |
| | ৫১ - সাইতু | ৯০.১% |

### ভোট থাদবা য়ারবশিংনা অকি অখং য়াওদনা ভোট থাদগদবনি : গভর্ণর



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস) :

ঐখোয়গী লৈবাক্তা হৌজিক চৎনরিবসি দেমোক্রেসি অমসুং দেমোক্রেসিগী খুদমদি মীখলনি হায়রদুনা ঐখোয়না ঐখোয়গী দেমোক্রেটিক রাইটশিং অকি অখং য়াওদনা পাঙথোকচবগীদমক চাওথোকচৈ হায়না গভর্ণর লা গনেসননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি অয়ূক পুং ৭তগী থাদনখিবা মণিপুরগী ১২শুবা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলদা ১১-শগোলবন্দ এসেমব্লি ...মখা লামায় ৩ কলম ২

### চহী ১৪গী নুপীমচা অমগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখিবা মীওই চহী ১১গী ফাদোক পীখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস) : ঙসিদগীনা চহী ৬ লোমগী মমাঙ কুমজা ২০১৬কী জুন ১৭কী অয়ূক পুং ১০ রোম তারকপদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ৱিমেন পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জদা ফাইল তৌরকখিবা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না প্রোটেক্সন ওফ চিলড্রেন ফ্রোম সেক্সুএল ওফেন্স এক্টকী সেক্সন ৬কী মখাদা লৌখৎখিবা কেস অমগী ৱায়েলদা মশাগী চহী ১৪ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখিবনি হায়দুনা কনভিক্সন পীখ্রবা মীওই অমা কোর্টনা চহী ১৪গী ফাদোক পীখিবগা লোয়ননা লুপা লিশিং ২গী শেনফমসু ফাইন ওইনা পীননবা খঙহনখ্রে।

চহী ১১গী ফাদোক অসি লম্ফেলপাৎতা লৈবা ফাষ্ট ট্রেক্ট স্পেসল কোর্ট নম্বর ২, মণিপুরগী জজ সী ঐচ ৱ্রজচান্দগী কোর্টনা থা অসিগী ২৫দা পীখিবা ওর্দর ওন সেন্টেন্সকী মতুংইন্না পীখিবনি।

কোর্ট অসিনা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

**HL Poll**

Q: Ahanba phaseda vote thadanakhiba polling station taretki EVM sing thugaikhibadu re-poll toubana chumloidra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes [ ] No [ ]

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Ngasi pangthokkadaba first phasegi meekhalda voter masing yamna thoknaraktuna vote thadnagani thajabra?

Yes 100% No 0%

# ফেক এনকাউন্টর চথরকপা অমসুং নুপী অঙাংগী ইকায়খুম্নবা শোল্লকপদগী কোংগ্রেসতগী তোল্লকখিবনি : বিরেন

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচএনএস): মথং থাগী ৫দা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুরগী অনীশুবা তাঙ্কক্কী মীখলদা য়াওরিবা শুগুনু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা বি জে পিগী মীরেপ ওইরিবা ময়াংলম্বম বিনোদকী ইলেক্সনগা মরী লৈনবা নোংমগী ওইবা পোলিটিকেল কনফরেন্স অমা ঙসি পাঙথোকখিবগা লোয়ননা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা কোংগ্রেসতগী তোল্লকখিবা অসি মতমদুগী লৈঙাক্লা ফেক এনকাউন্টর কয়া চথরকখিবা অমদি নুপী অঙাং কয়াগী ইকায়খুম্নবা শোল্লকপদগীনি হায়দুনা ফোঙদোকখ্রে।

### ‘বি জে পিনা এবসোল্যুট মেজোরিটি ফংলগনি’





মহাক্লা মখা তানা হায়, মতমদুদা মহাক মশানা কোংগ্রেসকী ড্রাইভর শোয়রে, অনৌবা ড্রাইভর শিল্লসি হায়বা য়াদবদগী শোয়দনা কোংগ্রেস লৈঙাক তুরগনি খঙলকপদগী কোংগ্রেসতগী তোল্লকখিবনি হায়খি।

মণিপুর অসি চহী লিশীং ২ হেনবগী পুৱারী লৈজবা, মথৌনা মরিংজেল লৈনা সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা মনিংতম্না লৈজরম্বা ফুরুপনি। নীংখা তম্না হিংনবগী লানফমদা পাওনা ৱ্রজবাসি থৱায় কৎখ্রিবনি। অসিগুম্বা ফুরুপ অসিগী মচা মশু কয়া করিসু লৈতনা হাৎতোকপীবা, হঙোই চোংহনবা, পরেং লেপহনবা, করিসু লৈতনা ...মখা লামায় ৩ কলম ১


LOAN AVAILABLE
VEHICLE LOAN
SERVICE LOAN
PENSION LOAN

● Minimum Down Payment
● No Guarantor required
● One Day Delivery
Area Coverage:
* Imphal East
* Imphal West
* Bishnupur
Pliz contact :-
IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O.: Loklaobung
B.O.: MG Avenue, Paona Bazar & Bishnupur Bazar
HL-B/7467/15 Feb to 16 March.